# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable — The messenger of the masses


থাঙ্গ হৈস্নাম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরগী শুমাং লীলাগী অইবা লৈখিদ্রবা ইমো হৈস্নাম্বগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবগী শক্তম



ম্যান্মারদগী সঙাই ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াবা লাকখিবা ইমুং অমগী মাঙখ্রবা শেল য়াওবা বেগ ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী টিমনা রিকভর তৌরবা মতুংদা ঙসি খুৎশিন্নখিবগী শক্তম



মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙাথোকখিবা থৌরম অমদা ডা. লৈশাংথেম তোন্দোননা ইবা চীং-তম পাউরৌ পাউতাক হায়না মীংথোনবা লাইরিক ফোঙবগী শক্তম



ইন্দো ম্যান্মার থাইলেন্দ ফ্রেন্দশিপ কার রেল্লিদা শরুক য়ারকখিবশিং থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসো-সিএসন অমসুং ইন্দিজিনস পিপলস দিভলপমেন্ট ওর্গনাই-জেসননা তরাম্না ওকপা




Vol. 40, Issue No.231 | শগোলশেন, হিয়াঙ্গৈ ২৬ নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, November 24, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


# পি সী টি সী ওইল পম্পদা মৈ চাল্লকপদা ওইল টেঙ্কর অমা তুম্না চাকখ্রে

## ষ্টাফ ক্বার্টর অমাঙ-অতা থোক্লে, মৈ মুখৎপদা পুং ২.৩০ রোম চঙখি





ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): খুয়াথোংদা লৈবা পি সী টি সী ওইল পম্পদা মীয়াম্না ক্যু লেপ্তুনা পেট্রোল লৌনরিঙৈ চৈরক্তা ইখঙ খঙহৌদনা পেট্রোল পম্প অসিগী কেম্পসতা মৈ চাকখৎলকপদগী মীয়াম কায়দুনা চেন্নখ্রে, ওইল টেঙ্কর অমা মৈনা তুম্না চাকখ্রে।

পি সী টি সী ওইল পম্পগী কেম্পসতা ওইল টেঙ্কর অমা তুম্না মৈ চাকখিবা অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১.৫০ রোম তাবদা থোকখিবনি। মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা ওইল পম্প অসিগী মমাঙ থংবা শরুক্তা লৈবা ষ্টাফ ক্বার্টর অমা অমাঙ-অতা থোকখি। মসিদসু নৎতনা মৈ চাল্লক্লিবা মফম অদুগী মনাক্তা থম্বা ওটোরিক্সো অমগা গাড়ী মচা অনীগসু মৈ চাকপদা য়াওখি। অদুমকপু মীশি-মীনাদি য়াওহৌদ্রে।

ওইল পম্পকী কেম্পসতা চাকখিবা মৈ অদু ফায়র ব্রিগেদকী টিমনা মুখৎপদা চাউরাক্লা পুং ২.৩০ রোম চঙখি। মৈ চাকফমদগী কারকখিবা মৈখু অদু ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈবা পোরোমপাৎ, শিংজমৈ, চিংমৈরোং, লম্ফেলনচিংবা মফম কয়ামরুমদসু ময়েক শেংনা উনখি। মফম কয়াদগী মীয়াম্নসু থৌদোক অদুবু অঙকপা ফাওনদুনা য়েংবা লাক্লখি।

মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না মৈ চাকপগী থৌদোক অদু য়েংবা লাকপদা ট্রাফিক জামসু মায়কৈ কয়াদা থোকখি। পি সী টি সী ওইল পম্পগী কেম্পসতা চাক্লিঙৈ মতম অদুদা নেসনেল হায়ৱে নম্বর টু খুয়াথোংদগীনা নোর্থ এ ও সী ক্রোসিং ফাওবা লম্বী থিংদুনা থমখি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক মীয়াম্না পি সী টি সী ওইল পম্পদা ক্যু লেপ্তুনা পেট্রোল লৌনরিঙৈ চৈরক্তা ইখঙ খঙহৌদনা পম্প অসিগী মনিং থংবা শরুক্তা মৈখু কারকপা উখি। মৈখু কারকফম অদুদা মৈ চাকপসু উরকখি। মদুদগী পেট্রোল লৌনবগীদমক ক্যু লেপ্লরম্বা মীয়াম কায়দুনা চেন্নবতা নৎতনা ওইল পম্প অসিগী ষ্টাফশিং অমদি মনাক নকপদা লৈরম্বা পুলিস পার্সনেলশিং ফাওবা কায়দুনা চেন্নখি। মফম অদুগী চেম্পোক্লরক্লবা মতুংদা মৈ চাকপা অদু য়েংনখি।

ওইল পম্পদা মৈ চাক্লে হায়বা পাউ হেক তাবগা খুৎলৈ থুনা মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী টিম অমা মফমদুদা থোমজিল্লকখি। খুদক্তা ফায়র সার্ভিসকী টিম অদুনা নাকল অনীদগী ঈশিং অমদি ফোর্মনচিংবা কাপশিন্দুনা চাল্লিবা মৈ অদু ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ইন্দিয়া-ম্যান্মার-থাইলেন্দ ফ্রেন্দশিপ কার রেল্লি লমথাখ্রে

# ইন্দিয়াগা এসিয়ন লৈবাকশিংগা মরী ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি : সী এম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএন এস): ইন্দিয়া-ম্যান্মার-থাইলেন্দ ফ্রেন্দশিপ কার রেল্লি ঙসি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদগী লমথাখ্রে।

কার রেল্লি লমথাবগী থৌরমদুদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, ইন্দিয়া-ম্যান্মার-থাইলেন্দ ফ্রেন্দশিপ কার রেল্লি অসিনা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়ান লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈরিবা মরী হেন্না ফগৎহনবদা চাওনা মতেং ওইরগনি। কার রেল্লি অসি দিল্লিদগী ইম্ফালদা লাকখিবনি, ইম্ফালদগী অমুক মোরে ফাওরগা চৎলবা মতুংদা থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা থুংগনি। মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ, মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্স অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ দোন্নরগী মায়কৈদগী রেল্লি অসিদা সপোর্ট তৌবগীদমক থাগৎলি।

ইন্দিয়া-ম্যান্মার-থাইলেন্দ ফ্রেন্দশিপ কার রেল্লি অসি ইন্দিয়ন চেম্বর ওফ কম্মর্স, কোলকতা অমদি কলিঙ্গা মোটোর স্পোর্টস ক্লব ওড়িষানা খুৎশম্নবা শীনবনি। কার রেল্লি অসি থা অসিগী ১৩ দা ন্যু দিল্লিদগী লমথারকখিবনি। চহীসিগী দিসেম্বর ৩ দা রেল্লি অসি বেঙ্কোক্তা থুংদুনা লোইশিনগনি। রেল্লি অসি



কিলোমিটর ৫৭২২ রোম শাংনা চৎপা কার রেল্লিনি। ইন্দিয়া-ম্যান্মার অমদি থাইলেন্দ লৈবাক্কী লম্বী ফাওদুনা চৎলিবা কার রেল্লি অসিদা মীওই ৭৬ না শরুক য়ারি। মসিদা ইন্দিয়াদগী মীওই ৬২ য়াওরি। ম্যান্মারদগী মীওই তরেৎ অমদি থাইলেন্দগী মীওই তরেৎ য়াওরি। রেল্লি টিম অসি ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখিবনি। টিম অসিদা নুপী কয়াসু য়াওরি।

ঙসি অয়ুক ইম্ফালদগী লমথাখিবা কার রেল্লি অসিনা নুমীৎয়ুংবা মতুংদা মোরে ফাওরগা ম্যান্মাররোমদা চৎখিগনি। রেল্লি অসি ইন্দিয়া-ম্যান্মার-থাইলেন্দ লৈবাক্কী মরক্তা কোওপরেসন হেনগৎহন্নবা অমদি অফবা মরী থম্নবা পান্দমদা শিনখিবনি।

কার রেল্লি টিম অসিদা য়াওরকখিবা কলিঙ্গা মোটোর স্পোর্টস ক্লব, ওড়িষাগী মীহুৎ ওইরিবা ওড়িষাগী সিটিং এম এল এ প্রবিনচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, কার রেল্লি অসিদা য়াওরিবা ইন্দিয়ন টিমগী মীওইশিং অসি তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৪ দগীনি। মসিদা দি দি স্পোর্টসকী মীওইশিংসু য়াওরি। মণিপুরদগী মীওই অহুমসু য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা কার রেল্লি লমথাবগী থৌরম অদুদা ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতনকুমার, দি জি পি, এল এম খৌতে অমদি ট্রান্সপোর্ট কম্মিস্নার এম লক্ষ্মিকুমারসু শরুক য়াখি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৫.৩১ °c | ৮.৩২ °c |
| চান্দেল | ২৮.৮৬°c | ১৭.৩১ °c |
| সীসীপুর | ২২.৮৮°c | ১১.৪৪ °c |
| ইম্ফাল | ২৭.৩৪ °c | ৭.৪৮ °c |
| সেনাপতি | ২৫.৫৪ °c | ৪.৯২ °c |
| তমেংলোং | ২৮.৯২ °c | ৯.৩৭ °c |
| থৌবাল | এন এ °c | এন এ °c |
| উখ্রুল | ২২.১৩ °c | ৮.৬৩ °c |
| মণিপুর | ২৯.৫৩ °c | ৪.৯২ °c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## শকখঙদবশিংনা শিন্মী ২ ফাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩: সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাইকুল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা পুরুম লিক্লি অমদি গাংপিজাংগী মরক্তা চীংখোঙদা রিটেনিং ৱাল চনবা শিন্মী অনী খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা ফাখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা মশক খঙদবা খুৎলায়বা পায়বা কেমো ফ্লেস শেৎপা মীওই অহুম লাক্লগা শিন্মীশিংনা থবক শুবা লোয়শিল্লকপা নুমিদাংৱাইরমগী মতম অদুদা শিন্মী অনী অদু গন পোইন্টদা ফারগা পুখিবনি হায়রি।

শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা ফাদুনা পুখ্রবা শিন্মী অনী অদুগী মমীংনা কব্রাবম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ক্রোর ৪১৭ বেঙ্কশিংদা এলোকেট তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ৫০০ অমদি লুপা ১০০০ চৎপী নোটশিং চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংদা লুপা ২০০০ চৎপী অমদি লুপা ১০০ চৎপী নোটতা লুপা ক্রোর ৪১৭ লোম এলোকেট তৌখ্রে।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংদা এলোকেট তৌখিবা শেনফম অসি থৌবাল এস বি আই ব্রাঞ্চতা লুপা ক্রোর ৩০.৪০, সেনাপতি এস বি আই ব্রাঞ্চতা লুপা ক্রোর ২৫, এস বি আই চান্দেল ব্রাঞ্চতা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# ব্লোকেদ হন্দোকহন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা তকশিনখি : ইবোবী

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱেদা হৌজিক ইকনমিক ব্লোকেদ চত্থরিবা অসিগী মতাংদা ষ্টেটকী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনদুনা ৱারী শানখ্রে। ব্লোকেদ হন্দোকহন্ননবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা তকশিনখি হায়না চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ব্লোকেদ হন্দোকহন্ননবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা নীংথিনা হায়রমদে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি।

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী) না নবেম্বর ১ দগী চত্থখিবা ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইদুনা মণিপুর মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্নহল্লে। হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনদুনা খঙহনখিবনি। য়ু এন সী হায়বসি এন এস সী এন (আই-এম) না কন্ট্রোল তৌবা ওর্গনাইজেসন ওইবনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা মীৎয়েং চঙবীদুনা ব্লোকেদ অসি হন্দোকহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না খঙহনখিবনি।

থা অসিগী ৯ দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা ৱারী শানখিবসু লৈ। আর এন রবিগসু থা অসিগী ১১ দা ৱারী শানখি। আর এন রবিনা টেলিফোন তৌরক্তুনা ৱারী শানবা অদুদসু য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলনা কৌরিবা ব্লোকেদ অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীনবা খঙহনখিবনি। মরক অসিদা বি জে পি মণিপুরগী মীহুৎ কাঙবু অমনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনরুবা মতমদা ব্লোকেদকী মতাংদা নীংথিনা খঙহল্লকখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি। নেসনল হায়ৱেগী অসিগুম্বা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# নন-মণিপুরীশিংদা ভারা শান্দোক্লিবা য়ুম্বুশিংগা ৱাখল তামিন্নবগী খোঙজং হৌরগনি : জে সী আই এল পি এস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): নন-মণিপুরীশিংদা ভারা শান্দোক্লিবা য়ুম্বুশিংগা পুন্না ৱাখল তামিন্নবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ইন-চার্জ বি কে মোইরাংচানা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

জে সী আই এল পি এসকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা বি কে মোইরাংচানা হায়খি, মতম শাংনা লিশাং শিংনা চত্থরকপা মণিপুরগী তুংগী মীরোল কঞ্জনবা জে সী আই এল পি এসনা তোঙান তোঙানবা অকন-অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ



মনুং চহীসিগী ওক্টোবরদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী চীফ মিনিষ্টরনা জে সী আই এল পি এসতা ৱারী শাননবগী ইনভাইট তৌরকখি। ইনভাইট তৌরকপদগী চীফ মিনিষ্টরগা জে সী পি আই এল পি এসকা ৱারী শানখি। ৱারী শানবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্লিঙৈদা অখন্নবা এসেমব্লী মীফম ফমদুনা য়েলহৌমী কনগদবা বিল পাস তৌগনি হায়না অচেৎপা থাজবা পীরকখি।

থাজবা অদুগী মতুংইন্না জে সী আই এল পি এসনা মতম ঙাইদুনা লাকখি। অদুবু ঙসি ফাওবা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখলগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা তুমীন্না লৈথোক্তুনা লৈরি। জে সী আই এল পি এসকী মায়কৈদগীসু ফিলর থাদুন নবেম্বরগী অরোইবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা এসেমব্লী ফমদুনা য়েলহৌমী কনগদবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১


## গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

*গ্যাস এজেন্সীশিংনা গ্যাস য়েনবগী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।*


## HL POLL

**Q : PCTC Oil Pump da mei chakkhiba thoudok leingakna enquiry touhangani khanbra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q : Ashaba Birth Certificate na Voter list chalhalbada chennabasinggi mathakta action loukhathanningbra?**

Yes 90% No 10%

## অস! লোইরেহে!

অমগীসু হৌরনেয়ে,
নঙসু তোকপা য়ারোই...!



হৈনখিবগী তৌবনি, শাউনুনে ইপা!

# য়ু এন সীগী ব্লোকেদ শৌগৎপশিংনা জিরি লম্বীগী শরুক খরা তৌখায়রম্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) গী ইকনমিক ব্লোকেদ শৌগৎপ-শিংনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী শরুক খরা স্কাভেটর শীজিন্নদুনা তৌখায়রম্লে হায়রি।

নাগালেন্দগী কোহিমা অমদি খুজামাদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী পোৎ পুবা ট্রকশিং সিলচররোমদগী ইম্ফাল তম্না চৎপা হৌখ্রবা মতুংদা য়ু এন সীগী ব্লোকেদ শৌগৎপশিংনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা নুংবা পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মক্রু অমদি ওইনামলোংগী মরক্তা লৈবা লম্বী অসিগী মফম অনী তৌখায়রম্বদগী গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১ দগী নেসনল হায়ৱেশিংদা য়ু এন সীনা ইকনমিক ব্লোকেদ কৌখিবদগী ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা ট্রক কয়া পন্দুনা লৈরকখিবনি। পন্দুনা লৈরম্বা ট্রকশিং অদুগী মনুংদা ট্রক ১০০ রোম ইম্ফালগীদমক সিলচররোমদা চৎপা হৌখ্রবনি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী মফম অনীদা লম্বী তৌখায়রে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা জিরিবামদগী অহেনবা পুলিসকী ফোর্স চংশিন্দুনা তৌখায়রম্লিবা লম্বীগী শরুকশিং অদু গাড়ী চৎপা য়ানবা শেমজিনবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# রিমসকী দেন্টেল ও পি দি মহৈরোয়শিংনা থিংখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএন এস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ওথোরিটিনা বি দি এস ইন্টর্নগী ষ্টাইপেন্দ পীদে হায়বগী ৱাহৌদা ইন্সটিট্যুট অসিদা মহৈ তম্লিবা বি দি এসকী মহৈরোয়শিং অমদি ইন্টর্নশিংনা রিমসকী দেন্টেল ও পি দি থিংবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে। ও পি দি থিংখিবা অদুনা লায়েংবা লাকপা অনাবশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকখ্রে।

মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী পীফম থোকপা ষ্টাইপেন্দ থা অহুম পীরক্তে অমদি এম বি বি এসকা মান্ননা পীগদবনি হায়বা দিমান্দ ওথোরিটিগী মায়কৈদা তানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ও পি দি থিংবা অসি চত্থরকখিবনি। রিমসকী ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ফংবা পাউগী লীখুননা হায়রিবনা দেন্টেল কোলেজ, রিমস অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা ইনষ্টিট্যুট অমা ওইবনা মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা অমা লৌরগা পীগদবা ষ্টাইপেন্দগী শেনফম লেপ্পা হায়বসি তঙাইফদে। হায়রিবা শেনফম অসি মিনিষ্ট্রিদা চে ইদুনা খঙহনখ্রে।

মরকসিদা বি দি এস ইন্টর্নগী ষ্টাইপেন্দগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীনবা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএন এস) : অরিবা লুপা ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা মীয়ামগী য়ুম-য়ুমদা পাউচে য়ৌহনবগী থবক তৌরিবা ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস' এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটরস' এসোসিএসনগী মীহুৎশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীননবা এসোসিএসন অসিনা তকশিল্লক্লি।

ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস' এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটরস' এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল সুর্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থাসিগী ১৮, ১৯ অমসুং ২০ হায়বদি নুমিৎ হুম্নি চুপ্না মীয়ামদা পাউচে য়ৌহঞ্জখিদবা অদুগীদমক্তা এসোসিএসন্না থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। থাসিগী ৮ দগী লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী নোটশিং দিমনিটাইজেসন তৌখিবনা মরম ওইদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা শেল অচোইবা ...মখা লামায় ৪ কলম ২

## হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংখৎনবা ডা. মৈন্যনা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পুখৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী) না নেসনল হায়ৱেদা ব্লোকেদ তৌরিবা অসি হন্দোক্নবা অমদি নেসনল হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংখৎনবা এম পি ডা. টি মৈন্যনা ঙসি পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পুখৎখ্রে।

ঙসি লোক সভাগী মীফমদা হীরম অসিগী মতাংদা পুখৎলদুনা এম পি ডা. টি মৈন্যনা হায়খি, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলনা থা অসিগী ১ দগী নেসনল হায়ৱেশিংদা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌখিবনা মরম ওইদুনা মণিপুর মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। পেট্রোল লিটর অমদা লুপা ৩০০ য়ৌরে। পেট্রোলগী ষ্টোক লৈশিল্লক্তে। স্কুল ভেনশিং থাউ লৈতবনা মরম ওইদুনা সার্ভিস লেপ্পদগী স্কুলশিং থোঙ লোল্লে। নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মমল য়াম্না ৱাংখ্রে। ইকনমিক ব্লোকেদ হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। ...মখা লামায় ৪ কলম ৪

## দিমনিটাইজেসনগী মতুংদা লুপা ক্রোর ২১,০০০ জন ধন একাউন্টতা হঞ্জিল্লকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৩(এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাসিগী ৮দা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা জন ধন একাউন্টশিংদা লুপা ক্রোর ২১,০০০ থমজিল্লকপা থেংনখ্রে। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ৱেষ্ট বেঙ্গলদা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা জন ধন একাউন্টতা শেল থমজিল্লকখি হায়রি।

মশা মশাগী একাউন্ট শেরান্নবা মওংদা শীজিন্নহনবগা লোয়ননা ব্লেক মণি থমজিলহনবা তারবদি ইনকম টেক্স এক্টকী মখাদা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়না মমাঙ চয়োলদা গভর্ণমেন্টনা জন ধন একাউন্ট হোল্ডরশিং, য়ুমগী নুপীশিং অমসুং মীচম মীয়ামদা চেকশিন ৱা পীবা লৈখ্রবনি। কনাগুম্বা মীওই খরনা ব্লেক মনি লোৎশিন্নবগীদমক অতোপ্পা মীগী একাউন্ট ...মখা লামায় ৪ কলম ৪

# য়ু এন এল এফকী ৫২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ : য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী ৫২শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ লাকপদা য়ু এন এল এফ সেন্ট্রেল কম্মিটিনা পার্টি অমসুং লাম্নীগী শঙলুপকী মহুৎ শিন্দুনা ঈরৈচা পুন্নমক্কী মফমদা য়াওলগী য়াইফ-পাউজেল পীজরি হায়না য়ু এন এল এফকী সেন্ট্রল কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মপোক নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা য়ু এন এল এফকী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা পুথোকচবা চহীগী ৱারোলদা ইন্দিয়াগী নিও-কোলোনিএলিজমগী মায়োক্তা ঐখোয়গী লৈবাক মীয়ামগী নিংতম লালহৌ অসিগী চঙশিল্লকখিবা লাঞ্জং অমসুং মখা তানা চত্থগদবা লাম্হেংগী অচুম্বা পোরম-পোমিৎ অদু পুথোকপা ঙম্নবা নৈনমিন্নবগী খুদোংচাবা অদু ঈরৈচাশিংগী মফমদা থমজরি।

চহীসিগী ওইবা ৱারোল অসিদা য়ু এন এল এফনা অমুক্কা হন্না চেৎনা থমজনিংবা ৱাফমদি - নিংখা তম্না পাঞ্জরম্বা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৪৯ দা নমদুনা লৌশিনখিবা অদুনা মণিপুর-ইন্দিয়া অনীগী ফুরুপকী মুক্নবা অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা হৌরকফমনি। মখা তানা ইন্দিয়ানা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংবু পুময়োৎ য়োৎশিন্নবা হোৎনরক্লিবা থৌশিল অসিদগী য়েলহৌমীশিংনা ইশানা ইশাবু কঞ্জনবা হোৎনবগী তঙাই ফদবা অদুনা ঙসি চঙশিল্লিবা লৈবাকমীয়ামগী লালহৌ অসিগী মায়ওন লেপ্লিবনি। ঙসিদি লালহৌ অসি লমদমসিগী য়েলহৌমী ফুরুপ পুন্নমক্কী হিংবা অমসুং শিবগী লাইবক লেপকদবা তঙাই ফদবা লাম্হেং হায়বদু ওইরে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অরি-অনৌ খায়দনা লোইলম মপুশিংগী মমা পুক্নুংদগী লোয়নরকপা লিচৎতি মখোয়না খুদুম চল্লবা মীশিংবু ওৎ-নৈবা, তুহৎপা অমসুং নমথবিবনি। লোইলম লৈঙাক হৌদোরকখিবা হৌখিবা চহী চাম্মরোমগী লিক্লম অসিদা মসিগী শাগোন্নরিবা তমথীবা মচৎ অসিগী হোংদোকপা ঙমদনা লোইচেন্নদুনা ঙসিসু অদুম্মক চত্থদুনা লাক্লি। অদুবু মতম্না পুরকপা অহোংবা খরদি অনৌবা লোইলম লৈঙাক (নিও-কোলোনিএলিজম) তদি মশক লোত্তুনা, নমথবিরবা তুহৎ-নৈহৎপীরবা লোইলম মীয়ামগী খরমখৈ খনবীবা শাদুনা অমসুং লোইলম লৈঙাক অদুগী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপা শাদুনা ওৎপীরবা মীয়াম অদুবু থেম্নবা তৌশিন্নবা মোইথেম লাংগী থৌশিল ময়াম অমা তৌদুনা উৎ চাইবনি। অদুবু মসিনসু লোইলম মীয়াম অদুবু নমথবা ঙল্লক্ত্রবা ফীভমদদি লোইলম লৈঙাক্কী য়ক লাওনা তমথীবা লিচৎ অদু অদুম্মক হেক হেক উখোল্লকই।

ইন্দিয়ানা 'দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লি অমসুং মীওইবগী হকপু ঈকায়খুম্নবা লৈবাক্লি' হায়দুনা মালেমগী মীৎতা উৎ চাইবা য়ানবা য়ুম্লোন-কৈরোন্নবা লৈবাকশিংদা দিমোক্রেসি অমসুং হ্যুমেন রাইটস ঙাক শেন্নবগী ঈহৌদা থৱায় য়াওশিন্নরবসু, মসিনা কাশ্মির অমসুং ৱেসিয়া লমদমগী মীচম মীয়ামগী ইচুম চুমজবা নিংখা তম্বগী খোল্লাউবুদি নমথনবা অয়ৌবী থাদুনা লান্মীগী পাঙ্গল শিজিন্নরি। অফস্পানচিংবা তমথীরবা দ্রেকোনিয়ন লো কয়া শিজিন্নদুনা মীচম মীয়ামগী হিংবগী হকপু তেমশীংনরি।

হৌখিবা থা খরসিদা কাশ্মিরদা নিংতম লালহৌগী থবক কনখৎলকপগা ঈরোয়ননা মীয়াম্না ইনি দয়াগী লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ অমা চঙশিল্লকখিবা অসিদা ইন্দিয়ানা লান্মীগী অয়ৌবী পাঙ্গল ফৃদোক্তুনা কাশ্মিরগী মীচম মীয়ামগী মথক্তা চত্থরিবা মীওৎ-মীনৈ অসিনা মসিগী লেঙদ্রবা খুদম্নি। মণিপুরদনা ...মখা লামায় ৩ কলম২


ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫